ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমস ২০১৮গী রুশুগী সন্দাদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবী নাওরেম রোসিবিনা

(হান্নগী মখা...)

ৱারী মখা তারদুনা রোসিবিনানা হায়, হন্দক্তা লোইশিনখিবা ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমসতুদা ইন্দিয়াগী ওইনা রুশুগী শান্দাদা শরক য়াজখিবসি পুন্না ঐখোয় তরুকনি। নুপীগী ৱেট অনী কিলোগ্রাম ৫২ অমসুং ৬০দা য়াওখিবসি ইচে সনাথোইগা ঐহাক্কনি। অতৈ নুপা প্লেয়রশিং অদুদি অতোপ্পা ষ্টেটকী ঙাক্তনি। ঐখোয় তরুক্কী মনুংদা মরিদি ব্রোঞ্জ লৌরকখি।

ঐহাক্লা শান্নজখিবা ফাইটশিংগী মতাংদা ঐনা খঞ্জখিবগা খিত্তং মান্নদবা খরদি থোকখি। শান্নবা মতমদা ফজনা শান্নগে খল্লগা থেংনখি। ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমস ২০১৮ অদুগী কিলোগ্রাম ৬০গী নুপী শান্দাদা এসিয়াগী লৈবাক ১৫না শরুক য়াখি। শান্নবসু ঐখোয় রুন্দ ওফ সিক্সটিন শান্নরকখি। বাই তারগা ঐগী ইহান হানবা বাউটসি পাকিষ্টানগা তাখি। অরিংবা প্লেয়র ওইদবনা ইরায় লায়না থোইবা ঙমখিদে। সেকেন্দ রাউন্দগীসু মতম শুদনা লোইশিনখি।

মথং মথং থোইরগা সেমী ফাইনেলদা চাইনাগী বেষ্ট ফাইটর য়িঙ য়িঙ কাইগা থেংনখি। কনা কনা অফাওবা প্লেয়রনো ঐদি থোইনা খনেদ। শান্নববু থোক্লবদি ঐগী ওপোনেন্টতুগা ফাইট ফজনা তৌনগে হায়না অদুম খল্লি। অদুনা য়িঙ য়িঙ কাইগা শান্নবদু ঐসু য়াম্না চেকশিন্না শান্নজখি। অহানবা বাউটতু ঐগী ৱাখলদদি ঐহাক্লা পোইন্ট খরা হেল্লমগদ্রা হায়না খনখি। পোইন্টসি মাগা ঐগা গৃ-গৃ ইন্নদুনা শান্নখি। অদুবু ফর্ষ্ট রাউন্দসি মহাক্লা ঐঙোন্দগী পোইন্ট হেল্লমখি। অদুদগী ঐঙোন্দা খিত্তং নুংঙাইতবা অমদি ফাওখি। সেকেন্দ রাউন্দদদি মানা অদুম হেনখ্রে। ঐগী গেম প্লান্দসু খরা অশোয়বা লৈখ্রে। নোক-আউটতা শান্ননবা খল্লগা চঙশিল্লুবদগী ঐহাক মায় পাক্লকপা ঙমখিদে। চাইনাগী প্লেয়র নিঙ নিঙ কাইদি সিজন প্লেয়র ওইবা, এক্সপরিএন্সসু য়াম্না লৈরমদুনা হাইজিনবদা খরা ৱাখি।

টেক্নিকেল্লিদা মানা খরা হৈশিংবা হেনখিবদগী ঐহাক্লা বেক কিক, রাউন্দ কিক থানবা হোৎনবসি ফৎ-ফৎ লৈথোকখিদুনা ঐঙোন্দা চান্স অমত্তা ফংহনখিদে। ঐগী শান্নরিবা ষ্টাইলসিসু মহাক্লা খঙখিবদগী মদু ফঙদনবা য়াম্না হৈশিংনা লৈ লৈদুনা শান্নরকখি। ঐখোয় অনীগী সেমী ফাইনেল বাউটতু কন্না ইন্নদুনদি শান্নখি। অদুমাইনা ঐহাকসি ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখিবনি। ঐখোয়গী ৱেট গ্রুপকী ওইনা চাইনাগী য়িঙ য়িঙ কাইনা অদুম লৌখি। ফাইনেলদা মাগা ইরানগা শান্নখি। ফাইনেল বাউটতু চাইনানা ইরায় লায়না থোইখি। অদুগা ঐনা ওইনা এসিয়ন গেমসতগী ব্রোঞ্জ লৌজরকপদু য়াম্না নুংঙাইবদি ঙমদে। ঐদি গোল্ড লৌগে হায়না কন্না খল্লগা চৎচখিবনি। হন্দক লৌবা ঙম্লত্রুবনিনা মথংগী এসিয়ন গেমস অমুক ঙাইবা তারি। ইন্দিয়াগী ওইনা এসিয়ন গেমসতগী গোল্ড মেদল অমদি লৌবা ঙম্ননবা কন্না হোৎনজখিগনি। চৎলিবা চহীসিগী ওক্টোবর ১০দগী ১৫ ফাওবা শিল্লোংদা তৌগদৌরিবা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসি শান্নরুরগা ঐহাক মতম খরদি লাইরিক-লাইশুদসু পূক্লিং খিত্তং থাদজগে খঞ্জে। মরমদি ঐহাক হন্দক মেত্রিক এগজাম থাগদবা লৈবনা লাইরিকসু খরা পানীংই। কুমজা ২০১৬তগী এসিয়ন গেমসকী প্রিপরেসন তৌবগী চহী অনীরোম কেম্পতা অদুম লৈখিবদগী লাইরিক্কসু খরা লাপথোক্লরুরে। ত্রেনিং কন্না তৌখিবনা মরম ওইরগা লাইরিকসিদা ৱাখল কয়া থাদরুদ্রে। ইন্দিয়া কেম্পতা হৌজিক ফাওবা প্লেয়র ঐখোয়গী (রুশু) ট্যুটরনচিংবা ওজা থমদুনা তাকপী-তম্বীবা অদুগুম্বা লৈত্রি। ইমুং মনুংগী ওইনদি বাবা ইমানা লৌ-শিং শূরগা, মনা-মশিং থারগা হিংবা ফেমিলিনি। পৈশাদি য়াম্না ৱাই। সাইদা লৈরমদ্রবদি ঐহাক ফজনা শান্নবা ঙম্লমদসু য়াই। অদুবু ঐগী অহেনবা দাইট চানবা মরক মরক্তা ববা-মমানা পৈশা খরা খরদি অদুম পীবিরকখি। সার প্রেমনসু ঐগী অৱাৎ-অপা অয়াম্বা য়েংশিনবীদুনা লাকখি। অদুবু হন্দক্তি এসিয়ন গেমসতা ব্রোঞ্জ ফংলকপদগী মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লুপা লাক্ষ ৮গী চেক অমা পীবিরকখি। হৌজিকমক্কী ওইনদি করিমত্তা কায়থোক্তনা থল্লি। এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ, ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা সনাগী মেদল লৌবা ঙম্নবা ববা-ইমা, সারগা তানরগা মখা তাবা থবকশিং তৌগে হায়না খঞ্জে। হোষ্টেলদা পীরিবা দাইটসিগী মথক্তা অহেনবা ফুদ সপ্লিমেন্ট চাদবা য়াদবনিনা শেলদি থা খুদিংগী খরা খরা অদুম চঙই। ঐগী ওইবা টার্গেটতি এসিয়ন গেমস, ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তুগী গোল্ড মেদল লৌবগা লোয়ননা মালেমগী অফালবা রুশু শান্নরোয়শিংগী মরক্তা ঐসু বেষ্ট ওফ দি বেষ্ট ওইজবনি। - লোইরবা-

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

এসিয়ন গেমস ২০১৮গী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮০

১। ষ্টৌন দ্রেগোন টাউন করম্বা মশান্নগীদমক মমিং চৎলি ?
২। পেলে অমসুং বেকেনবরনা মীচং ওইবা ফুটবোল টিম অমনা চাইনাগী ফুটবোল টিমগা করম্বা চহীদা মেচ শান্নখিবগে?
৩। অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরসু শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদু করম্বা মফমদা পাঙথোকখি।
৪। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ঐঙোন্দা 'এ সিটিজন ওফ দি ৱর্ল্ড' হায়বা সার্টিফিকেট অমা পীখি। ঐ কনানো?
৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

এম য়ুগী নুপা অমসুং নুপীগী বাস্কেটবোল টিমদা শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস) ঃ ভুবনেশ্বরগী কেআইআইটিদা থা অসিগী ১৮দগী ২১ ফাওবা নুমিৎ মরিনি চূপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি বাস্কেটবোল (নুপা অমসুং নুপী) টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯দা শরুক য়াগদবা এম য়ুগী নুপা অমসুং নুপীগী বাস্কেটবোল টিমগী শান্নরোয়শিং খনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা নুপাগী বাস্কেটবোলগী শান্নরোয়শিং অদুদি এম য়ুগী ভিক্টর লাইতোঞ্জম, আই সিতলগুপ্তা অমদি এল রিচার্দ ঙাম্বোইমাতে, দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী জোসেফ ওইনাম, এঞ্জেলসাং হোংসা অমদি হার্লিসন ঙাথেম, ৱাই কে সীগী এল জেলিনষ্টার, লিবরেলগী নেপোলিয়ান ইলাম, কে পি সীগী এল রোবার্ট শর্ম্মা, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী আর কে দোনেস, দোনবোস্কো মরামগী ইলো রাকনামাই অমদি মণিপুর কোলেজকী এ লেনিনি। রিজার্ভ প্লেয়রদনা দোনবোস্কোগী সুয়ো চুশুনা অমদি ৱাই কে সীগী এ সিটলজিৎনি।

নুপীগী বাস্কেটবোল টিমদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী এস থোলেরৌ, কেরোলিন পাওল, ৱাই থোইনু, এল মোনিকা অমদি বিন্দি অথোকপম, এম য়ুগী এস সনাতোম্বী, ঐচ প্রিয়াদর্সনি অমদি এম দাইনা জি পি দল্লিয়ু সীগী প্রিয়োলতা ঐচ অমদি ঐচ ইনুংঙানবী, বি এম সীগী আর্টিনা হিজম, দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী এস পমতান দেখলবিয়ো অমদি আইদেল কোলেজগী এস হিরোননি। রিজার্ভ প্লেয়রদনা কে পি সীগী প্রিন্স কে এস ঐচ অমদি দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী এম লিনানি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী খল্লক্লবা শান্নরোয়শিংনা হয়েং অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী ওফিসতা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট স্পোর্টস দিরেক্টর অমসুং এম য়ু এস সীগী সেক্রেটরি ডা. সী ঐচ প্রদিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

হিরো আই এস এলদা জমসেদপুর এফ সীনা মুম্বাই সিটি এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে

মুম্বাই, ওক্টোবর ০২(এজেন্সী)ঃ ঙসি মুম্বাইদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ২০১৮-১৯গী মরিশুবা মেচতা জমসেদপুর এফ সীনা মুম্বাই সিটি এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুদা জমসেদপুর এফ সীগী মায়কৈদগী ৪-২-৩-১ ফোর্মেটতা শান্নবা হৌরকখি। অমরোমদা য়ূম্বু ওইখিবা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগীনা ৪-৩-৩ ফোর্মেটতা শান্নরকখি।

শান্নবগী অহৌবা পুঙ্খায় অমরোমগী মতম অদু টিম অনীমক লম্বা মান্নরবসু মগুণ লৈবা বোল পুশিনবা ঙম্বগী খুদোংচাবা অদু জমসেদপুর এফ সীগী মায়কৈদগী লৈখি। টিম অদুনা শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা ফংখিবা বোল অমা কার্লোস কালবোনা খাইদোরকপদা টিমমেট মারিও আকিসনা মুম্বাই এফ সীগী গোল কিপর অদুবু মায়থীবা পীদুনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল ওইখি।

অহানবা হাফকী লেমহৌবা মতম অদুদা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ফংনবা ফনা কন্না হোৎনরকখিবনি। অদুবু জমসেদপুর এফ সীগী দিফেন্দরশিং অদুগী ফজবা মশান্ননা মখোয়গী এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকখি। মুম্বাই সিটি এফ সীগী এটেক অহানবা হাফতগী মশীং হেনগৎলকখি। ৪৯শুবা মিনটতা মখোয়না পুশিল্লকপা বোল অমা চৎন-পথাপকী ৱাংমদা থিংনবা হোৎনরুবা জমসেদপুর এফ সীগী পাঞ্জল চনবা ঙমখবা মারিও আর্কিস য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

অনীশুবা হাফ অদুগী মিনট ২০ চঙশিল্লকপদা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নরোয় অনী শিন্দোক্তুনা ইক্কেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখি। মিনট ১০ রোম লৈরগা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরবা জমসেদপুর এফ সীগী মায়কৈদগীসু খোঙজেল হেন্না য়াঙগদবা শান্নরোয় অহুম ফিল্ডদা চঙহল্লকখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট য়ামশিল্লক্তুবদা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী ৮৪শুবা মিনটতা মখোয়গী শান্নরোয় অনৌবা অমসু চঙহল্লকখি। হোৎনবা খুদিংমক অরেম্বা তাদুনা লাকপদগী অপীবা মিনট ৯০ লোইশিনখি। মিনট ৫গী ইঞ্জুরি টাইম হাপ্তুনা শান্নরকপদা জমসেদপুর এফ সীনা ফংখিবা কাউন্টর এটেক অমদা সিদোনসানা পাস তৌরকপা বোল অমা টিমমেট পাব্লো মোর্গাদোনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী মুম্বাই সিটি এফ সীগী মেচ মায় পাকপগী লম্বেল লোইশিনখি। হয়েং লীগ অসিগী অহানবা রাউন্দগী অরোইবা মেচ অদু দেল্লি দাইনামোস অমসুং পুনে সিটি শান্নগনি।

ইন্দিয়ানা মালদিপ্সপু য়াম্না হেন্দুনা পাঞ্জল ৮-০দা মায়থীবা পীদুনা চহী ১৮ মখাগী সাফ রুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপকী সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে

থীম্ফু, ওক্টোবর ০২(এজেন্সী)ঃ ভুটাননা য়ূম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং থীম্ফুদা পাঙথোকপা অহানবা চহী ১৮ মখাগী সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন (সাফ) রুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা ঙসি ইন্দিয়াগী টিম্না মালদিপ্সপু য়াম্না হেন্দুনা পাঞ্জল ৮-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি পুন্না সাউথ এসিয়াগী লৈবাক ৬না গ্রুপ অনী থোক্ল খায়দোক্তুনা সেপ্তেম্বর ২৮দগী হৌরকখিবা নুপীগী চহী ১৮ মখাগী টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি গ্রুপ 'এ'গী অরোইবা লিগ মেচ অমদা ইন্দিয়া অমসুং মালদিপ্সনা লম্বা তৌনখি। পনবা য়াই ইন্দিয়ানা অহানবা মেচতা য়ূম্বু ভুটানবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদু হৌবদগী হৌনা ইন্দিয়ানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। এলেক্স এম্প্লোজনা লমজিং লমতাক্লিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা টিম অসিদা শরুক য়ারিবী মণিপুরদগী হৌখিবী অসেম রোজানা চনবা হৌখি। অহানবা পাঞ্জল চনখিবদগী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল মরী-মরী চনবা ঙমখি। শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা করিসমা রাইনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

লেপ্পা লৈতনা তৌশিনখিবা এটেক্ট অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ২২শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু মণিপুরী মচা টিম অসিগী কেপ্তেনসু ওইরিবা ৱাই পাকপীনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৩-০দা ইন্দিয়ানা হেন্দুনা লৈখি। ২৭শুবা মিনটতা বি মরিয়ামলনা ইন্দিয়াগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চনখি। অহানবা হাফ লোয়গদবী মিনট ১০ রোমতা ঙাইরক্লবদা টিম অসিমক্কী সোনি বেহরানা ৫শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ইন্দিয়ানা মালদিপ্সপু অহানবা হাফ লোয়শিল্লকপদা পাঞ্জল ৫-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা সোনি বেহরানা মহাক্কী অনীরকশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিন্দুনা স্কোর বোর্দ অদু ৬-০দা হায়গৎলকখি। ইন্দিয়াগী মখাতানা চথুরকখিবা এটেক্ট অমদা সঙ্গিতানা ৫৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনখি। মালদিপ্সকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবা পুম্নমক ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না ফজনা ঙাকথোক্তুনা লৈখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।

শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা কাওশিনখিবা সোট অমা মালদিপ্সকী দিফেন্দর অমদা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা শোয়বদগী মখোয়গী গোল মনুংদা চঙখিদুনা মেচ অদু ইন্দিয়াগী পাঞ্জল ৮ শুবা ঙমখি। মালদিপ্স মখাতাবা মিনট খর অদুদা পাঞ্জল হন্দোক্লবা ফনা কন্না হোৎনরবসু কান্নবা ফংখিদে। ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৮-০দা থোইদুনা গ্রুপ 'এ'গী মকোক ওইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

থা অসিগী ৫দা ইন্দিয়ানা সেমীফাইনেলদা ঙসি অথেংবদা বংলাদেশ অমসুং নেপালগী অথোইবগা লম্বা তৌনগনি। গ্রুপ 'বি'দা বংলাদেশ অমসুং নেপাল মেচ অমমম শান্নখিবদা মায়পাক্তুনা পোইন্ট ৩/৩ ফংদুনা লৈরি। বংলাদেশনা গোল স্কোর তৌবা নেপালদগী ৫ হেন্দুনা লৈরি। করিগুম্বা ঙসিগী মেচ অদু দ্রো চৎল ফাওবদা বংলাদেশ সেমী ফাইনেল চঙগদেরিবনি, অদুবু নেপালনা সেমীফাইনেল য়ৌননবগীগমক বংলাদেশপু মায়থীবা পীবা মথৌ তারি। টিম অনীগী মরক্তগী অকাবা অদুনা ভুটানগা অনীশুবা সেমীফাইনেল শান্নগদৌরিবনি।

নপাগী টিম্না ইজিপ্তপু মায়থীবা পীখ্রে, নুপীগীদা ইন্দিয়া অমসুং জিওর্জিয়া দ্রো চৎখ্রে

বাটুমি, ওক্টোবর ০২(এজেন্সী)ঃ জিওর্জিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি বাটুমিদা পাঙথোক্লিবা ৪৩শুবা চেছ ওলিম্পিয়াদতা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম্না ওপন কেটিগোরিদা ইজিপ্তপু মায়থীবা পীখ্রে। অমরোমদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম্না ৭শুবা রাউন্দ অদুদা য়ূম্বু লৈবাক্কা দ্রো চৎখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ওপন কেটিগোরিদা গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বনাথন আনন্দ(রেটিং পোইন্ট ২৭৭১)না ইজিপ্তকী অমিন বাসিম(২৬৮৬)গা লম্বা তৌনবদা দ্রো চত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখি। ইন্দিয়ানা ওলিম্পিয়াদ অসিদা মখোয়দগী থাক ৩৫ হন্থরগা লৈবা ইজিপ্তকা লম্বা তৌনখিবা অদুগা য়াম্না চাওনা মায়পাকপা ঙমগনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈখিবনি। আনন্দ দ্রো চৎখ্রবা মতুং অনীশুবা টেবলদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পেন্টালা হরিকৃষ্ণ (২৭৪৩)না ইজিপ্তকী অদলি অহমদ(২৬২০)দা লম্বা তৌনরকপদা মায়পাক্তুনা ইন্দিয়ানা ইজিপ্তপু পোইন্ট ২.৫-০.৫দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অহুমশুবা বোর্দতা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ভিদিট সন্তোস গুজরাথি (২৭১১)না ইজিপ্তকী ইন্টনেসনেল মাষ্টর ফোজি অধাম (২৪৩১)গা লম্বা তৌরকপদা মায়পাকপগী মহুত্তা মায়থীবা নংদুনা ইন্দিয়াদগী য়াম্না মরুওইবা পোইন্ট অমা ইজিপ্তনা মুনখি। মরীশুবা বোর্দতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী জিএম কৃষ্ণন সসিকিরন(২৬৭২)না ইজিপ্তকী হেসাম অবদেলহরমন (২৪০৮)গা লম্বা তৌনরকপা মায়পাক্তুনা ইন্দিয়ানা ৭শুবা রাউন্দ অদু পোইন্ট ২.৫-১.৫দা থোইদুনা ওলিম্পিয়াদ অসিগী ওপন কেটিগোরিদা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরি। ৮শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম অসিনা জেক রিপব্লিক্কা ঙসি অথেংবদা শান্নরগনি।

নুপীগী কাংলূপ্তা ইন্দিয়াগী টিমগা ওলিম্পিয়াদ অসিগী য়ূম্বু জিওর্জিয়াগা লম্বা তৌনখি। অহানবা বোর্দতা ইন্দিয়াগী কোনেরু হম্পি (২৫৫৭)গা জিওর্জিয়াগী নানা জাগানিজে (২৫০৯)গা দ্রো চৎখি। মখাতারকপা অনীশুবা বোর্দ অদুদা লম্বা তৌখিবা ইন্দিয়াগী দ্রোনাভালি হরিকা (২৫০০) অমসুং জিওর্জিয়াগী লেলা জবাকসিভিলি (২৪৭৫)সু দ্রো চৎখি। অহুমশুবা বোর্দকী শান্নরোয় অনী ইন্দিয়াগী টানিয়া সচদেব (২৪০০) অমসুং জিওর্জিয়াগী নিনো বাটসিয়াসভিলি (২৪৮২)গী লম্বা অদুসু দ্রো চৎখি। লোয়ননা মরীশুবা বোর্দতা ইন্দিয়াগী পদমিনি ৱাৱট (২৩৩৮) অমসুং জিওর্জিয়াগী বেলা খোটেনাসভিলি (২৪৬৯)সু দ্রো চত্তুনা লৈবাক অনী পোইন্ট ২-২দা লৈনখি।

৭শুবা রাউন্দ লোয়শিল্লকপা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম ৭শুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা ৮শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়ানা হঙ্গেরিগা লম্বা তৌনরগনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপাগী টেনিস টিমদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস) ঃ ভুবনেশ্বরগী কে আই আই টিদা থা অসিগী ১৮দগী ২১ ফাওবা নুমিৎ মরিনি চূপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টেনিস (মেন) টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯দা শরুক য়াগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপা টেনিস শান্নরোয়শিং খনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা নুপাগী টেনিস শান্নরোয়শিং অদুদি দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী অটাপ লৈশাংথেম, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী য়েন্দ্রেম্বম অতে, এম আই টিগী থিয়াম রঞ্জিৎ, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী ঐচ সেলানঙাম মরিং অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী থোকচোম অথোইবনি। রিজার্ভ প্লেয়রদনা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী লাইময়ূম আরবিন্দ্র শর্ম্মানি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী খল্লক্লবা শান্নরোয়শিংনা হয়েং অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী ওফিসতা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট স্পোর্টস দিরেক্টর অমসুং এম য়ু এস সীগী সেক্রেটরি ডা. সী ঐচ প্রদিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এ ককচীংগী শান্নবুংদা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন অমসুং কে এস ঐচ কিশোরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ ওক্টোবর ৭তা পাঙথোক্লগনি। সুপর দিভিজনগী মেনেজরশিংগী মিটিংনা ওক্টোবর ৩গী অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি। অদুগা ফর্ষ্ট দিভিজন লীগকী মেনেজরশিংগী মিটিংনা নুমিৎ অসিমক্কী অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি। অকূপ্পা মরোল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী জেনরেল সেক্রেটরিদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

মানু ভাকরনা য়ুথ ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ফিরাল পায়গদৌরি

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী) ঃ থা অসিগী ৬তগী ১৮ ফাওবা অর্জেন্টিনাগী কোনুং বিনোস আইরেসতা পাঙথোক্কদবা অহুমশুবা য়ুথ ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী কন্টিনজেন্ট অদুগী মাঙজিল থাদুনা শুটিংগী দিসিপ্লিন্দা মমিং লৈরবা মশাগী চহী ১৬তা ঙাইরিবী মানু ভাকরনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল পায়দুনা লুচিংগদৌরি।

ঙসি ন্যু দেল্লিদা ইন্দিয়াগী কন্টিনজেন্ট অদুগী খোঙশানদ্রিঙৈ মমাঙদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্য বর্ধন সিংহ রাথোর অমসুং ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জেনরেল রজিব মহেতা শরুক য়াখি।

ইন্দিয়াগী কন্টিনজেন্ট অদুদা শান্নরোয় ৪৬ য়াওনা মীওই ৬৮না শাবা টিম অমা হয়েং ন্যু দেল্লি থাদোক্কদৌরিবনি। এথলেটশিং অদুনা পূন্না দিসিপ্লিন ১৩দা শরুক য়াগদৌরি। কন্টিনজেন্ট অসিগী চেফ-দি-মিসন অদুনা গোৱা ওলিম্পিক এসোসিএসনগী সেক্রেটরি গুরুদত্ত দি ভক্তনা ওইগনি।

মণিপুরনা ওরিষা থোইদুনা সেনিয়র রুমেন্স ফুটবোল চেম্পিয়ন ওইখ্রে

Conducted by- Football Association of
31st October 2018
CHAMPION

কত্তক, ওক্টোবর ০২(এজেন্সী)ঃ ওরিছাগী সিটি কত্তকতা লৈবা বারাবটি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ২৪শুবা সেনিয়র রুমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮দা য়ূম্বু ষ্টেট ওরিষবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী নুপী ওইবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ অসি ইহান হানবা ওইনা মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা কুমজা ১৯৯১-১৯৯২দা হৌদোকখিবনি। অহৌবা চহী অদুদা বেঙ্গোলনা টাইটল লৌরগা মণিপুরনা রন্নর্স অপ তাখি। মণিপুরগী টিম্না হন্দক্কী চহী অসিগী টাইটল য়াওরগা পুন্না টাইটল ১৯ লৌবা ঙল্লি। অদুগা বেঙ্গোলনা টাইটল অনী লৌদুনা লৈরি। মমাংগী চহী দা টামিল নাদুনা টাইটল লৌখি। অতোপ্পা টাইটল ফংবা ঙমখ্রবশিং অদুদি, রেলৱেজ অমসুং ওরিষানি।

মণিপুরগী টিম অসিনা টুর্নামেন্ট অসি ২৪রক পাঙথোরকপদা কুমজা ২০১১ ফাইনেল য়ৌখিদবা অদু নত্তনা অতোপ্পা চহীশিংদদি টাইটল লৌবা নত্রগা রন্নর্স অপ তাখিবা ঙাক্তনি। টাইটল ১৯লক লৌরগা মণিপুরগী টিমনা ৪রক রন্নর্স অপ তারি।

ঙরাং কুমজা ২০১৮গী ফাইনেল মেচ অদু য়ৌননবা হোৎনরকপদা মণিপুরগী টিম্না সেমীফাইনেলদা রেলৱেজবু পেনাল্টি সুটআউটতা পাঞ্জল ৪-৩দা মায়পাক্তুনা লাকখিবনি। অমরোমদা য়ূম্বু ওরিষানা মখোয়গী সেমীফাইনেলদা মমাংগী চেম্পিয়ন টামিল নাদুবু এক্সত্রা টাইমদা পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীরমখি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা হাফ অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না লম্বা মান্নদুনা শান্নরকপনা মিনট ৪৫গী মতম অদুগী অয়াম্বা মতম লোয়শিল্লক্লবা ফাওবা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি। হাফ অদুগী অরোয়বা মীৎকুপ্তা মণিপুরগী কেপ্তেন বলানা ফাইনেল অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ওরিষাবু ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল অমা মাংজিল থারিবা মণিপুরনা ওরিষাগী মায়কৈদা অনীশুবা হাফ অদু হেক হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা ইরোম প্রমেশ্বরিনা মেচকী ৫০শুবা মিনটতা মেচকী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা টাইটল অদু লৌবগী লম্বেলদা মণিপুরবু পুশিনবা হৌখি। কুমজা ২০১১গী চেম্পিয়ন ওরিষানা মণিপুরনা চনশিনখিবা পাঞ্জল অনীদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু ইন্দিয়াগী ওইনা নুপীগী ফুটবোলদা লম্বা লৈত্রে হায়না লৌনরিবা মণিপুরগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না ফজনা শান্নদুনা লৈখি। শান্নবা লোয়গদবা মিনট ৯ খক্তা ঙাইশিল্লক্লবদা তাঞ্জা অদুদা ওরিষাগী মিদফিল্ডর অরাতি সেথিনা শোথখিবা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। মখাতাবা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল লৈখিদবদগী মণিপুরনা টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।